মৈহৌবালেন সঙ্গাই ফম্মাং

নাকপা অমসুং হন্দোকপা

চনম হেমচন্দ্র

উরিপোক নাওরেমথোং ইমফাল


R.S.
Printers

মৈহৌবালেন শঙ্গাই লম্যাং

শিন্দোকপা অমসুং হন্দোকপা
চনম হেমচন্দ্র
উরিপোক নাওরেমথোং
তাং ২৫ । ৪ । ২০০৪ ইং-
-ইম্ফাল



[redacted]

চনম হেমচন্দ্র
উরিপোক নাওরেমখোং ইমফাল
পুরমক শিন্দোকপা অমসুং হন্দোকপগী
মথুংতা লৈরনি ।

অহানবা খুৎনম মশিং ১০০০
মমল লুপা ৬৫

পুথোকপা :—
তাং ২৮ । ৪ । ২০০৪ ইং,
শজিবুগী ৮ নি পানবা নিংথৌকাবা

নমথোকপা :— চীং-তম প্রেস
উরিপোক নাওরেমখোং ইমফাল ।

হো ইমা

হো ইমা লৈবাক নুংশিবা
লাইজা ইরুং ঈপাক ইরেমপুঙমা
চৈরে কীশেং ফনেক ওইরিবী
পাংকী লাইজা ইমু ঈরেমনা
চৈরে মানফক ওইনা লিংলিবী
তুরেলনা চৈরে থাংচেং ওইমবী
অশংবা উমংনী চৈরে নমথাংনবী
পরেং ওইনা লোইমী চীংশাংনা
ঙক্তা লিকলু ওইনা শিরিবী
নাপদা শজিক থবা নাশিনা
খুত্তা কাইনৌ থাম্রালপীচা লৈতেংনা
শমলাং জাবুলথক্তা নোংথাং ফৈথেংনা
য়োইময়াই তাওদনবা নুমিং কমবালনা
থানিল থাবুং থাদি থাকনরা
খমগোল মালং নুংশিং চৈরোইনা
অক্তিংঙা তরুং অহাংবদা খুদানা
ফুদোংলবা ইমাগী শবান লেপ্লানখোঙ
মিলনা ঙানবী ইমাগী শকপানথোং
তাইবং পালবাবু থাগোল চেং
অকোং তংতা অরাই কংদ
য়েনবীরি তাইবংদা অতংপা লৈতনা
ইমাগী লৈরুপ লৈরিক অমতং
ইকোক্তা থাংগৎনা পুঙমা ওইজগে
নখুয় থাদা তোলবা পাংদ্রবনা চংজরি।

তাং ১০। ৭। ২০০৪ইং চনম হেমচন্দ্র

য়াওক্নম তাক্না

মৈহৌবালেন সঙ্কাই কন্যাং

রাহায় খরা

শ্রীগুইবনা চাওখৎলকপগী মতিক মীগী হৈরোকফম থিবাস্থ লেপ্পা লৈতে। হৈরোকফমগী রাগ্নি লিথুন থিবদস্থু অমগা অমগা পাও ফাওদোক্তুনা মীগুইবগী হৈরোকফমগী পান্দম অম। খঙনবা হোৎনবা লেপতম্নি। মৈহৌবলেন সন্নাই ফম্নাং কৌবা পুয়াবু থক্কীরম্বা ইপা ইপুগী মফমদা চঙজম্নি।

মৈহৌবলেন সন্নাই ফম্নাং হায়বা পুয়াসি লমদমসিগী শাগৈ ঈমেক শন্নাই পান্নি পুরিগী রাম্নিশিংবু থিজনবদা মতেং ওইগদবা লাইরিকশিংগী মপুংদা অমনি। পুয়াসি ইবদি শ্রীমনিপুর পুরন্দর শ্রীপঞ্চযুক্তা গরিমনিবাজ মপুথৌ ইবুঙঙ্ মহারাজনা লিংখৎলবা বংশাবলিবু শ্রীমদ্ধা গোবিন্দা থরাই ওইনবা শ্রীপঞ্চযুক্তা চিংথংখোম্বা মহারাজনা অমুক পালহন্নবগী মতুংদা ময়েচনা উজার ওইরমলবা লৈপাকসিবু শ্রীপঞ্চযুক্তা গম্ভীরসিংহ চিংলেন নোংজ্রেন-খোম্বা মহারাজনা অমুরক সনা লৈপাক শেমহৌরবদা মৈতৈ ময়াং হাও অসিগী মখাদদি লাইনা তারা ১স্থু পীনা নাওদা মচাই মচাই চাইখরতুনা খংনজবা মরম-দগী অমুরক হন্না পালহনগে হায়না মা পুক্কি দা থন্নতুনা শ্রী কাঞ্চিপুর কোম্মুংদা শোক ১৭৫৫ গী ইঙা ১০নি পাম্বা শগোলশেন স্থমিৎতা বংসানন্দী ইবা হৌয়ম্বতু করিগুম্বা লাইগী নোংদমনা লোংমলমদবা মরমদগী শ্রীমতি মনিপুরেশ্বরী পুংলেনখোম্বী মমা শিজা মা য়াথ বংশাবলী ইনা লোয়্নো হায়দোক্তুনা মচা ইঙঙ্ শ্রী পঞ্চযুক্তা মনিপুরেশ্বর শ্রী চন্দ্রকির্ত্তি সিংহ লংইরেন মৈদিংঙ্ নাওচি লেন নোংজ্রেনখোম্বা মহারাজনা শকাব্দ ১৭৯৪ চন্দ্রাব্দ ১০৮৪ মেরা থা সংক্রান্তি ২৬ নি স্থবা ১০নি পানবা মোংমাইজিং স্থমিৎকি স্থমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৫ হৌখরবা পুং ৬ কী মতুং বাঘাঠ যুগনা থোকপা মতম অসিদা বংশাবলি অসিবু ইখৎপা হৌই।

অতুগা শোক ১৮০০ শুবা হাওপিবম চন্দ্র সংগী কুম যেরা থা ২১নি পানবা শগোলশেন মুমিৎ সংক্রান্তি ১ হৌরদা কৈহোৎলের শঙ্গাই ফম্মাং অসি লেপ্লে হায়না লাওথোকই ১মুং কৈথেলদা শামু তোং তুনা পাই চেল্লে । লাইরিকাস হিন্দু ধর্ম লৌরবা মতমদা হৌরবা হিন্দু লাইগী মহিং, শ্রীনাচিংবী য়াওজরুংহু লমদমসিদা খুন্দা হৈতানা লৈহ্রিবশিংগী পারি পুক্রিকী মতমদা থরা ১ইথ ইথতুনা মশাগী লাগৈ শঙ্গাই যুমলাক পীতুনা কদাইদগী হৌরকলগা করম্বা যুম্লাক ওইখিবা বরম্বা যুম্লাক শাথৈদা চংখিবনি চিংঙা খাহন্দুনা চারৌ মৌরৌমবা ১মুং ফুরুপতুগী ঈ ডাকনবা লৈনাক নিংথৌ শুমবগী চেংলোন্দা রাকী ফিথুম পীবা পুম্ম নি।

লাইরিকসি অতোম মোমোন দেবী, রাইথ লৌরেম্বম কৈরক্লা শিম্নবীরকপনি । লৈখিত্রবা হাওবম শ্যাম সিংহ উরিপোক খুমন্লেম লৈকাইদা লৈবনা ১ অমুক পীবীরকই । মতুংদা মনিপুর ষ্টেট আর্কাইবসতগী জেরোক্স কোপী অমগা অমুক ফংজে । পুম্না পীবিরকপশিংগী মফমদা শিংতমত্রবা লমন তোনশিনজরে । লাইরিকসিদা তেংবাংবীরিবা ওঝা ইবুংঙো থোকচোম থোইবা উরিপোক শমুশাংদা লৈবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎচরি । লাইরিক অসি হেক ওন্নথৈ অরান অহুই য়াওদনবা হোৎনজখি অতুঙ্গ অশোইবা থেংনবারবতুনা হাম্নবারক্রুন্দি হর ওমা লৌশিনজরগা মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচগনি ।

চনম হেমচন্দ্র
উরিপোক নাওরেমথোং ইমফাল,
তাং ২৯ । ৪ । ২০০৪ ইং
নিংথৌকাবা, শজিবুগী ৮ নি পানবা

মৈহৌবালেন-সঙ্গাই ফম্মাং

লাইরেন মৈতিঙ্গু নাওচিংলেন নোংত্রেনখোম্বা মা হাকথক্তা শোক ১৮০০ শুবা হাওপিবম চন্দ্রাসিংগী কুম মেরা থা ৯১ (কুনগামাথোইনি) পানবা শগোলশেন লুমিৎ, সংক্রান্তি ১ হৌবদা মৈহৌবালেন সঙ্গাই ফম্মাং আসি লেপ্লে।

নিংথৌরোল ।

ক্র :	শোক :	নিংথৌরোল ।	মরোল লোনফম।
১।	১০২ দা	পাখংবনা নিংথৌ ওই।	
২।	১৭৫ দা	খুয়োই তোম্পোক্পা নিংথৌ ওই।	
৩।	১৮৬ তা	তাওথিংমাংনা নিংথৌ ওই।	
৪।	২৮৯ দা	খুইংংগম্বা নিংথৌ ওই।	

ক্র :	শোকা	নিংথৌরোল :	মরোল লোনফম ।
৫ ।	৩০১ দা	পোংশিবনা নিংথৌ ওই ।	
৬ ।	৩১৬ তা	কাওথংবনা নিংথৌ ওই ।	
৭ ।	৩৩৩ দা	মাওথঙ্বনা নিংথৌ ওই।	নিংথৌ ৭ অসিদি লাইনি ।
৮ ।	৩৫০ দা	নিং থৌ মাওকোংনা নিংথৌ ওই ।	
৯ ।	৪৪০ দা	সমৈরাংনা নিংথৌ ওই ।	
১০ ।	৫৯০ দা	কোম্বৌবমা নিংথৌ ওই ।	
১১ ।	৫৮৫ দা	নাওথিংখোংমা নিংথৌ ওই ।	
১২ ।	৬৮৫ দা	খোংতেকচানা নিংথৌ ওই ।	খোংতেকচাগী মথাদা চহি ১১ নিংথৌ পান্দে এ
১৩ ।	৭০৬ তা	কাইরেম্বনা নিংথৌ ওই ।	
১৪ ।	৭২১ দা	য়াংবনা নিংথৌ ওই ।	
১৫ ।	৭৫৩ দা	অয়াংবমা নিংথৌ ওই ।	
১৬ ।	৮৩২ দা	নিংথৌ চেংবনা নিংথৌ ওই ।	
১৭ ।	৮৭১ দা	চেংলৈ ইপান লান্থবনা নিংথৌ ওই ।	
১৮ ।	৮৯১ দা	য়াংলৌ কৈফবনা নিংথৌ ওই ।	
১৯ ।	৯০৬ তা	ইরেংবনা নিংথৌ ওই ।	

ক্র :	শোক :	নিংথৌয়োল :	মযোল লোনফম
২০ ।	৯৯৬ তা	লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওই ।	
২১ ।	১০৪৪ দা	লোইতোংবনা নিংথৌ ওই ।	
২২ ।	১০৭২ দা	অতোম য়োইরেম্বনা নিংথৌ ওই ।	
২৩ ।	১০৮৫ দা	ইরাঙ্গাবনা নিংথৌ ওই ।	
২৪ ।	১১১৭ তা	থরাঙ্গাবনা নিংথৌ ওই ।	
২৫ ।	১১৫০ দা	চিংথাং লাম্বনা নিংথৌ ওই।	
২৬ ।	১১৬৪ দা	থিংবাইশেনহোংবনা নিংথৌ ওই ।	
২৭ ।	১১৬৫ দা	পুরাঙ্গাবনা নিংথৌ ওই ।	
২৮ ।	১১৮৫ দা	খুমোম্বনা নিংথৌ ওই ।	
২৯ ।	১২০০ দা	মোইরাম্বনা নিংথৌ ওই ।	
৩০ ।	১২২৪ দা	থংবী লাম্বনা নিংথৌ ওই ।	
৩১ ।	১২৪৬ দা	কোংয়াম্বনা নিংথৌ ওই ।	
৩২ ।	১২৫৭ দা	তেলহৈবনা নিংথৌ ওই ।	
৩৩ ।	১২৭৭	তোনাবনা নিংথৌ ওই ।	
৩৪ ।	১২৮৯ দা	তাবুংবনা নিংথৌ ওই ।	
৩৫ ।	১৩০৬ দা	লাইরেনবনা নিংথৌ ওই ।	লাইরেনবনা চহৌখবদা চহি ৫ নিংথৌ পাম্মে ।

ক্রঃ	শকঃ	নিংথৌরোলঃ	মহোল লোনকথা
৩৬।	১৩১৬ দা	[illegible] নিংথৌ ওই।	
৩৭।	১৩৫৫ দা	নিংথৌখোম্বা নিংথৌ ওই।	
৩৮।	১৩৮৯ দা	[illegible] নিংথৌ ওই	
৩৯।	১৪৩০ দা	[illegible] নিংথৌ ওই।	
৪০।	১৪৩৪ দা	লমগাংঙম্বা নিংথৌ ওই	
৪১।	১৪৪৫ দা	[illegible] নিংথৌ ওই।	
৪২।	১৪৪৬ দা	[illegible] নিংথৌ ওই।	
৪৩।	১৪৬৪ দা	[illegible] নিংথৌ ওই।	
৪৪	১৪৬৭ তা	চালাম্বা নিংথৌ ওই	
৪৫।	১৪৮৪ দা	মুংয়াম্বা নিংথৌ ওই	
৪৬।	১৫১৯ দা	খাগেম্বা নিংথৌ ওই।	
৪৭।	১৫৭৪ দা	খুঞ্জাওবা নিংথৌ ওই।	
৪৮।	১৫৮৮ দা	পাইখোম্বা নিংথৌ ওই।	
৪৯।	১৬১৯ দা	চরাইরোংবা নিংথৌ ওই।	
৫০।	১৬৩১ দা	পামহৈবা নিংথৌ ওই।	
৫১।	১৬৭০ দা	খাগি লাম্বা নিংথৌ ওই।	কম্বাল তোংদে।
৫২।	১৬৭৩ দা	নিংথৌহম্বা নিংথৌ ওই।	কম্বাল তোংদে
৫৩।	১৬৭৫ দা	মোরাম্বা নিংথৌ ওই।	
৫৪	১৬৮১ দা	চিং থাংখোম্বা নিংথৌ ওই।	
৫৫	১৬৮৩ দা	[illegible] নিংথৌ ওই।	কম্বাল তোংদে

ক্র:	শোক:	নিংথৌরোল:	মরোল লৌনকম।
৫৬।	১৬৮৫ দা	চিংথংখোম্বনা নিংথে । ই।	
৫৭।	১৬৯১ দা	কৈৰীরাম্বা নিংথৌ ওই।	কম্বাল তোংদে।
৫৮।	১৬৯২ দা	কোকিলানন্দনা লৈপাক থাকই।	
৫৯।	১৬৯৩ দা	চিংথংখোম্বনা নিংথৌ ওই।	অৱাৱ্ ভমহুনা নিংথৌ ওই। অহুদগী অমুৱক হুম্না অৱানা থুগাই-হুনা ভগবন্তনা লৈপাক থাকই।
৬০।	১৬৯৫ দা	চিংথংখোম্বনা নিংথৌ ওই।	
৬১।	১৬৯৬ দা		অৱানা ভমহুনা খাংথৈনা লৈপাক থাকই।
৬২।	১৬৯৭ দা	অমুক চিংথংখোম্বনা নিংথৌ ওই।	
৬৩।	১৭২০ দা	লাবণ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওই।	
৬৪।	১৭২২ দা	মধুচন্দ্রনা নিংথৌ ওই।	
৬৫।	১৭২৬ দা	চৌরজিৎনা নিংথৌ ওই।	
৬৬।	১৭৩৫ দা	মারজিৎনা নিংথৌ ওই।	

ক্রঃ	শোক ঃ	নিংথৌয়োল ঃ	মহোল লোনফম।
৬৭।	১৭৪২ দা		অৱানা ওয়ন্থনা য়ুমজাও তাবনা লৈপাক ডাকএ।
৬৮।	১৭৪৩ দা	গম্ভীরসিংনা নিংথৌ ওই।	
৬৯।	১৭৪৪ দা		অৱামা ওয়ন্থনা যদুসিংনা লৈপাক ডাকএ।
৭০।	১৭৪৫ দা		রাঘবসিংনা লৈপাক ডাকএ, অৱামা থুগাইহনা।
৭১।	১৭৪৭ দা		অমুক অৱানা থুগাইহনা নোংচুপ লমগাই ওন্থনা লৈপাক ডাকএ। অহুনগী অৱা তাবনা হাওনংগম্ভীরসিং নিংথৌ ওই।
৭২।	১৭৫৫ দা	চন্দ্রকীর্তিনা নিংথৌ ওই।	
৭৩।	১৭৬৬ দা	নরসিংহনা নিংথৌ ওই।	
৭৪।	১৭৬৬ দা	দেবেন্দ্রনা নিংথৌ ওই।	

ক্র :	শক :	নিংথৌরোল :	মথোল তোনকম
৭৫ ।	১৭৭২ দা	চন্দ্রকীর্তিনা নিংথৌ ওই ।	
৭৬ ।	১৮০৮ দা	সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওই ।	
৭৭ ।	১৮১২ দা	কুলচন্দ্রনা নিংথৌ ওই ।	
৭৮ ।	১৮১৩ দা	ভুপাইহসমথোকা চূড়াচান্দনা নিংথৌ ওই ।	
৭৯ ।	১৮৬৩ দা	বুধচন্দ্রনা নিংথৌ ওই ।	

নিংথৌরোল।

শ্রীরাধাকৃষ্ণভ্যাং নমঃ শ্রীরামচন্দ্রনা থবাইগী লনবু ওইংরিবা শ্রীমনিপুর পুরন্দর শ্রীপঞ্চযুক্ত গরিবনিবাজ মপুখৌ ইঙ্ মহারাজনা লিংখংলম্বা বংশাবলি অহুবু শ্রীমদ্‌ধা গোবিন্দনা থবাই ওইনবা শ্রীপঞ্চযুক্ত চিংথাংখোম্বা মহারাজনা অমুবক হয়া পালহল্লম্বা অহুগী মতুংদা ম্লেচ্ছনা উজার ওইরম্লবা লৈপাক অসিবু শ্রীপঞ্চযুক্ত মপা ইবু ঙো গম্ভীরসিংহনা চিংলেন নোংঙ্গ্রোনখোম্বা মহারাজনা অমুবক মা লৈপাক শেমহৌরবদা ঠৈত্তে, ময়াং, হাও অ.সিগী মথাদদি লাইনা তাবা অমম্লুং পিবা নাওদা মচাই ম;াই চাইথ্রহনা থংনদ্রবা নরমদগী অমুবক হয়া পালহমগে হায়না মা পুক্লিংদা থল্লহনা শ্রীকাঞ্চিপুর কোল্লুংদা শোক ১৭৫৫ গী হুতা ১০ নি পানবা শগোলশেন মুমিত্তা বংশবলী ইবা হৌরম্বা অহুবু কবিগুম্বা লাইগী নোংদম্না লোয়মদবা মরমদগী শ্রী৭াত্ত মনিপুরেশ্বরী পুংশেনখোম্বী মমাশিঙা মা মাথং বংশবলী ইবা লো.ঐলো হায়দোক্লুনা মচা ইংঙ্ শ্রীপঞ্চযুক্ত মনিপুরেশ্বর শ্রীচন্দ্রকির্ত্তি।সংহ লাইরেন মৈত্তিংঙ্ মাওচিংলেন নোংম্বোনখোম্বা মহারাজনা শকাব্দ ১৭৯৪, চন্দ্রাব্দ ১০৮৪ মেরা থা

সংক্রান্তি ২৬ নি তুবা নিমাং ১০ নি পানবা নোংমাইজং ঙাসিংকী চুরিংখুংবা মতুং পুং ৫ হৌরবা পং ৬ দী মখুং থাগাই যুগনা থোকপা মতম অসিদা বংশরগী অসিবু ইথংপা হৌই।

ওঁ নম্য ভগবতে নারায়নায়; নারায়নং নমস্কৃত্যং নরঞ্চৈবনরোত্তমং দেবীং সরস্বতী ব্যাসং ততোজয় মুদীরয়েৎ ॥

ব্রহ্মা পরমাত্মা ভগবানগী মশক ওইনা ঈশ্বর কৃষ্ণ কৌবা লাই অদুগী থুয়াদবু, পরম গুরু বৈষ্ণব মহাপ্রভুজিগী থুয়া থম্বালদবু কোত্রিক হয়া খুরুমজহনা জয় শ্রীগরিমধ্বিরাজ নিংথৌনা বংশবলী শাগৈগী মৈহৌবালেল হৌদোকুনা ইজরকে। স্বয়ং ভগবান নারায়ন ঈশ্বরনা গুন তম্না ফিংমা চৌদ্দ ভুবন্দা থবাই পালিবা অচৎপা চত্তবা খিবিক কুম্নকুমা সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর যুগতা মা হৌখয়বা মতুংদা কনাগী কুমশিং চংনবা ৫৮-২৪-হৌখয়বদা ঈশ্বরনা নোংদমলকপগীদমক বিষ্ণুগী অংশ মরুং ১মা বৈষ্ণবগী মশক ওইদুনা অবতার ওইমা পোক্লবা মহামহত্ত মহাপ্রভুজিনা লাকুনা সূর্যাবংশগী শাগৈদা পোক্লবা নিংথৌ অসিনা মকমগী ইহুনা অনাচার নত্তরা চৎলম্বা অদিবু তেংপামবা মপু ঈশ্বরনা ঐবু শেমত্রে নোংদমলকএ। নথোই অসিদো চায়না সত্য যুগতা পাল্লম্বা নিংথৌনে। লমচৎ নাশাগৈদু থুমহৎলহনা লোপ ওইনা লৈরে। লমচৎ অশেংবা চারি বংশগী মরক্তগী

ক্ষত্রিগী বংশবার লমচং অড্ডু হয়। চংলো অদুগ খাইনবী অশেংবা সূর্য্যবংশ ক্ষত্র ওইদ্রবগদগে অমুম হায়নরে। বেদ বাক্য য়াথং পুখোকপারো, অসিগী মতুংদা মৈতৈ নিংথৌ জয় শ্রীগরিবনিবাজ মহারাজ শ্রীমতি গোমাত মহারাণীগনা মাগী চৈপাকপু শেংমহাবাজ শ্রীমতি গোমাত মহারাণীগনা মাগী চৈপাকপু শেংহনগে হায়না বিষ্ণুগী অংশনা পোক্লবা নিংথৌ অহনা মৈষ্ণবহনগে হায়না। বিষ্ণুগী অংশনা পোক্লবা নিংথৌ অহনা মৈষ্ণবশিংগী থুবা উকুল অচুবু কোকথক খোংনা য়াজরে। অসগী মতুংদা শোক ১৬৪৬ চৈত্রগী কৃষ্ণ ত্রয়োদশী সপ্রায় ধনিষ্ঠা নক্ষত্রনা পানবা মহাবাজনীদা শ্রীমহন্ত ব্রহ্মপুত্রবু শাগেগী তীর্থ সাক্ষী ওইদুনা অদুগী হুমিত্তা ক্ষত্রি শাগে তাংনা শাগে শেংলো। অদুগী মতুংদা শোক ১৬৪৯ কাত্তিক পুনিমা ১৫ নি পানবা বৃহস্পতিবার কৃত্তিকা নক্ষত্রনা পানবদা জয় শ্রীগরিবনিবাজ মহারাজনচিংবা সলাই ৭; খানগুম থাংতৈ শলাই ৭ মক্ত। পক্লিবা ভখেল, অঙ্গাং, কব, খামরুন, কবুই, তাংখুল অসি খিবক্তো য়িংথিনরকপা মমাংদা পাচা খোরা উয়া খিবক্তো নগুম থাংদবা ক্ষত্রি ওইও, মখোয় অসিগী থাঙ্গ নিঙোলগী নগুম থাংবলিংগদি লোনগনো, নগুন থাংবগী মচা নিঙোলগু মখোয়দা পীক্করোই। অসিগী মতুংদা লাকপা খিবক্তো মাগী মাগী ময়েক মচুদা লেপহল্লো।

চৌরজিৎকী নগুন থংবা শাগে শলাই ৭ মাগী গোত্র খাইবগী মরমদো হায়রুগে। শাণ্ডিল্য গোত্রদি নিংথৌচানে। কৌশিকী গোত্রদি অঙোমনে। মধুকল্য গোত্রদি খুমনে। কাশ্যব গোত্রদি

মোইরাংগে, ভরদ্বাজগে অমি সমাং লৈশাংথেংনে। গোত্র ২ অসিদি শাগৈ লৈপ্‌হৌবা অহান্নবদা পীবা গোত্রনি॥

অসিগী মতুংদা অযুবক ফম শ্রীরামচন্দ্রগী সা খুযা থম্বাল অনিশুকপু থুক্নগে। মহাপ্রভুগী সা পুরাথাদা থুকমছুনা অমহং পাথংবা পুরৈরোম্বা চন্দ্র থুকমগছুনা সূর্যবংশ, চন্দ্রবংশ মনিপুর লৈপাক অসিদা লেপ্লকপগী থাখা শিন্থরকপা শাগৈগী মরমদি লৈমরৈদি লৈকুরোল চঙনা পোথাং পোংহনে। চিনযুরোল লৈচিকঙাবিনা নোংতম্লেন অথুবনে। কৈথম্লেন চঙনা নোং-তম অহনবনে। চিংজু লৈমখা কুকুমলেন মৈনাইদক। হাইজু লৈমনা কুক্কমলেম মৈনাইহবনে। পিশিলঙ্গুন নিংথৌ হৈরোঙ-লেন লোইযুহনে পিয়াইজুনা নিংথৌ হৈরোং তাংখাংলেননে। মনাওদি পোইরৈতোম্ব থোমকাং অতোনবনে। মচিংদি তাংখোং কৌঐ। মরমদি লাইশ্রম মৈতৈ লৈমনে।

সাহুবেনলোম পিনাহৈদবা তিগিরেননে, থাইরেননে, লাই-রোননে, শিলতারোননে, ভাওরে ইনাইনে। লাইরোন পিনাই-বদি লৈরক লৈয়ারেম্বা লশংমে ভশাংবনে। লৈতাংলেন চঙনা লাইতোংলেম অতোম্বনে। হৈযুরেন চঙনা লাইতং শাংবমে। কোমফু সাইফু চঙনা কোনসোরোমনে। লাইরেম লাইখুং চঙনা কুপতরেং সেনজ্রে পোকএ। কুপত্রেংনা অতোম পোকএ। সেনত্রেংনা নিংথেম পোকএ। পুরিংজু অহুন ভৈরবা সাহৈরেং হৌবা চঙনা নোংদা নোংখামলেঙ্গী লৈমুং যাম্বী পিকজু

চাথনরোমবী য়োনথাম্বী ইমচাও লৈমা ওইরী নিংথৌ • নাপাকপী লৈমুং য়াপিরোকপা মোংবা লাইরেন পাথংবমে, নিংথেমচানে, —। অঙোমলোন্দি লাইয়েক লাইখুৎ চমুনা কুপত্রেংনে—। থাকপা নিংথৌ চমুনা পুরিলেম চিঙং বাংলকী পুরৈরোম্বা পোকএ —।

থুমনলোন্দি চিনরোল ইঙ্গচিক ঙাবম্বিমা নোংতমলেন অমুবা, লৈথম চমুনা নোংতমলেন অঙনবা। চিংমু লৈমনা কুরুমালেন মৈমাইলম্বা। হাইমু লৈমনা কুকমলেন মৈনাম্বা। লৈফুরেন চমুনা পোংথাংপোম্বন। পিসি চমুনা ফাইরোংলেম লোথম্বা। পিসি চমু থোম্বীনা নিংখৌ হৈবোকতাং, থাংতলেন পিয়াইমুনা থরাচেল। পিয়াইমুনা পোরৈতোন। লৈনাওতাবীনা শিংতবুং, সম্বোং পুলৈম্বা চমুনা শাশিং। তইমু লৈমনা লুবাং থুম্বিবা॥ কৌবরেননা মোইমুনা লুবাং পুনশিবা। ঙামুয়োন থোঙাইবা চমুনা লুংবগা মুংথোংঙাইগা ২মক পোকএ। লুংবনা থুমনগী শলাই মকোক ওইথিএ। মুংথোংঙাইনা লুবাং লংমাইবা ওই।

লৈশাংথেমলোন্দি লিরা লৈমনা থুমথুম নিংথৌনে। থুমথুম লৈমুনা বালনে। শিলপি লৈমা লৈতং নিংথৌ চমুনা নিংথৌ কাংবা কাংথলনে। লৈমা তামুনা শরুংনে।

হুইমু লৈমনা লমলেকশাংনা হাও ওইবা চিঙ্গা কাবা পাম য়ানবনে। মুংঙৌ য়িম্থুংবগা ২মা পোকএ। লমলেক শাংনা হাও ওইথিএ। মুংঙৌ য়িম্থুংবনি লৈশাংথেমনে॥

মোইরাংলোক্কি লৈকুরেল চহুনা হুচেংমে। লৈচিংলেন চহুনা হুংঝৌবেননে। ইথমলেন চহুমা ঙ্গা মিং মিং লাংবমে। লৈহুং থপুরোই চহুনা থেপুকংখিবমে। ঙাচেং লৈঙককপমে। লৈহুং হুনাওরাই চহুনা উবেলহুনবমে। লৈহুং হুঙাখা চহু ঙাংপাবিনা ঙাংকুন থোংকপা ঙাংমিংমিংগা কমা পোকএ। ঙাংকুন থোকমা থোকচোম পোকঁএ। ঙাংনিংসিংবা মোইরাংথেম পোকএ। ওইএ। ।

থাবালোন্নি লৈপিরেমনা তৌরিলথানে। লৈথোমলেনমা তৌরোন খুবনে। লৈমা নিংথৌ চহুনা তৌথামোমনে। লৈতৌরোন খোমলেন চহুনা তৌতিংতৌ, মোতৌ নিংথৌ চহুমা তৌতাং তোমে। থাবিনা থাবা লৈরেম লৈসংলেমনে। । ।

ঙানবালোন্দি লৈচিক নিংথৌ চহুমা ঙানবা লৈচিক চিকলিবনে। !

নিংথৌ কাংবা কাংথলেম লৈমা তারিহুমা ১বক হা থাবদি কোংগোহ্নিনে, তৈমাঙ্গে, য়ামাংনে, তেশয়তনে, উবেল খুবনে, উহুরল হুমবনে, ইরেমমে, থাবিমে, লংপানে ৯ মা পোকএ। কোংগোহ্নমা নোং পোকএ। তোমানা মৈতৈ মানবী পোকএ। য়ামনা ময়াং পোকএ। তেশয়তনা তথেলপোকএ। উবেল খুবনা কুহু পাংথান পোকএ। উবেল হুমবনা মোহুরাং থোকচোম পোকএ। ইরেমমা তিনি পাশা পোকএ। থাবিমা থাগিগা সাংরেনপা পোকএ। লংপা লাংথেংগা মোইরাংগা পোকএ।

মী অসিদি পাথংবগী মথাংদা পাল্লবা মীনে। চাকথি চাকচুম কক্তুবী লোকএ। খিরি খুঙৈবা লিদা পাঙে। থুমদি থুমৌদা পাঙে। শাখিদি শাইদা পাঙে। চাদি চাবাওদা পাঙে। শিংথোং কৌথোংদি হোঙৈবগা মথক্কা মথৌ যংবা চংদি মী মহোশা অসিদগী মথোই হাকচক লোমখিবগা চাক, ওয়া, শা, শিংথোং, লৌথোং পাল্লবা অহু খিজিক মাংথবে।

নিংথৌচারোল।

অসিগী মতুংদা সূর্য্যবংশনা তাংমৈ লেপত্তুনা পাখংবনা ছংনা নিংথৌ ওইদুনা হৌদোক্লকপগী বাক্সমদো হায়রগে। তাইবংপানবা মপুনা সৃষ্টি লৈপাক শেমগা লোইরগা অতিয়া শিদবগা নিংথৌ অপানবা লোংখু নংদি তাইবংপানবদা কোংলুয়ে। ঐদি হুদিঙা কাখিগে হায়রমদুনা অতিয়া শিদবগা নিংথৌ অপানবগা লোয়নমনা কাখিয়ে। লৈপাক শেম্না লাই অহুম থাদা কাখিরে। অদুগা অতিয়া শিদবগা নিংথৌ অপানবগা নুমিৎকী ময়াইদা লৈকদুনা অতিয়া শিদবনা থাদা লৈবা তাওয়ে ইমাইবু কোরং-হনা নিংথৌ অপানববু ডিম্বাকার লোংজুমগী মশক ওইনা হাং-দোকনাইদা পীরদুনা অতিয়াদা মকাকী মমি লৈপাক মখোইদা পৈবরবু উম্না হাসিদা পীরও হায়না পীখিএ, অদুনা তাং-দোক্নাইনা মসাদা উম্না পুরক্লে। অতিয়া শিদবনা মহৌ হমিগী মতুংইদা কুমক্তুনা লৈপাকী মখোইদা লৈওমদুনা য়াংকেমলে অহুমীদমক মাপিমোক কৌয়ে। অদুম তৌদুনা মুমিত্তগী কুমথা লাইদো পোক্লে। অসিদগী সূর্য্যবংশগী শাইগে ওইএ। নুমিৎকী মশক্তম বৈ অচৌবগী মতানুশুম অদুম লৈরবদা অহুবু উম্বদুনা লৈক্লু লৈয়াইদা লৈঙকা শোবারেন ভুয়া মকম চাইথোক্লুনা লৈপাক পীরে।

অসিগী মতুংদা অহিংবা নিদবনা লৈপাক্কী লেকশিংদা চংখ্রে। অহুম ওইহুনা পোংবা মশা শেম্বা খিবিক্কো পুথনা চংখিরে। অশাইগী লাই শিদবহুনা পোইনাবদা কৌনা হায়া খুনথে ক লকহুনা নিংথৌ অপানবগা তিংবহুনা বাম্ব তানবহুনা খমচিং কোনা কৌনা থবারেনবু থেমথোকলএ। থবারেমা ঐদি থোক- ভমলরোই। ইনাও পোইবৈতোন নং লৈনাওতাবি চত্নুমা থোকশিংবা হায়না পীথোকলমএ। লৈনাওতাবিনী থৌমাংদা মানা শেম্বা খিবিকপু তাইনং কৌনবা পুম্মকপু পুথোক্নুনা লাকখিরবৈ। থবারেমা লাইখুরেম্বী পুবক্নুনা খুদিংলমহুমা থোকখামলে। লাইখুরেম্বীবু লৈনা শাহুনা লাইম্বা কৌমা অপানবদা খুং- শিন্না পীরে। অদুগা অশাইগী পোইবৈতোনদো খুমাংলোমদা থোকলক্নে। পোইবৈতোম্না পুরবপা মীমা চিক্নুনা খুংহু খুংলাই মরোই খিবিক্কো পুম্নক্কা অপানবদা মুনখামলে। অপানববু তাওরোইনাইনা মচিগী মমক্কা থোংনা পুথিবহুনা কান ঊ তাম্না ইনথংখিয়ে। মকম অদুদা নিংথৌ অতাংবগী মশক ওইরহুনা পুত্রম নোংপোক মৈপুন চথাং সানা ইমচম খামনা অশাই-অচৈ য়াওনা নিংথৌগী পোংলোই খিবিক্কা খোম্না মুংখিল পোপৌপ্পা লৌচিংগী চিঙৈ ইম্না কুম্নক্নুনা লপথামকাগী মথাইদা থুংলে। অহুমনা ইকুই, অশাংবমদা থোং হায়হুনা লাই ও না অভিষেক তৌহনা কন্নাল কাহনলে। নিংথৌ ওইহুনা অচিংদি মীগী মশক ওইহুনা লাইম্বাগা লৈনা পালমানৈ। মুংখিলদি লাই ওইহুনা



লাইগী মখুক্তা [illegible]দুনা লৌইরেংবা থাকইহৌ। অদুম তৌবা নিংথৌ ওইনা চৎ[illegible] তৌনা [illegible] পামমএ। অদুম তৌবা সূর্যবংশ হুমিং শাগেন্দ্র পোক্পা পাখংবনা মনিপুর লৈপাক্কী নিংথৌ ওইদুনা লৈপাক লৌএ।

লৈমুং খাবিরোক্কী নোংদা লাইরেম্মা পাখংবা ১, লাইখোনা খুংগ চতোংপোক ১, নোংপোক্থুনা তাংখিরোং, হাঙ্খুথুনা খুই-নিংতেম্বা ১, হাঙ্খুনা পেংশিব ১, লাইতেংবা কাংখম্বা ১, লাইতোংহনা নাউথংবা ১ পোকএ। ৭মা অমিদি লাই ওইখিয়ে।

মাওইখা চৎনা মাংকোংবা, কাইরেম্মা সইরাং, লাইরেম্মা কোম্বোবা, খাবরোমা মাওখিংবোং থমক্তোমা খোংতেকপা, পুরেরেন চৎনা কাইরেম্বা, লোইরম্বা চৎনা থাবা, শারাম্না অমাংবা, লাম্নাম্না নিংথৌরেং, পাখাম্না চোংনে ইপাম পাম্বা, পাখাম্না মাংলৌ কৈকাবা, খোংলৈমম্না ইরেংবা, হাওরেম্মা লোইরম্বা, থম-লৈমম্না লোইতোংবা, খোংবাংলান সাংলৈমম্না অদোম মোইরেংবা, সংলৈমনা ইবাম্বাবা, লিকমুরেন পুমোইজাম্মা থবাচৎবা, তেংকাইওইবীমা চিংখং লাম্বা, নিংথৌ পোকপীনা পুরাম্বামা, নিংথৌ পোকপীনা খুমোম্বা, খাংলৈওইবীমা মোইরাম্বা, থুমম খোংবীনা খংশিনাম্বা, মাওসোমবীনা কোংখাম্বা, খবাকাবিমা তৈলহৈবা, তোলবা, শারেংবীনা তাম্পুবা, লৈফেলওইবীমা লাইখেংবা, লক্ফেংশাংনবীনা পুংশিবা, লাংবাম্বমা নিংথৌখোম্বা, লিনংথাইওইবীনা ক্যাম্বা, লৈনারেংম চৎনা কোইরেম্বা,

শেলপুংহৌলাকপীনা লমকাইতম্বা, থাইরোইরেন চংনিংকাবীনা নোংইনকাবা, চাথা তংখুপতম্বীনা কথোম্বা, নৈমাংথেম চহুনা তাংজাম্বা, হাওচোংতম্বীনা চালাম্বা, ফম্বেল তম্বীনা মুংবাম্বা, কাইনৌ চাংপোমথীনা থাগেমবা কৌবারোনতাইপেংহনবীনা খুনজাওবা, তাংজাখোম্বীনা পাঁইখোম্বা, তাইখোম্বীনা মহারাজ চরাইরোংবা। [illegible]বেন মুংখিল চাইবীনা মহারাজ পামহৈবা, ইরাংলেন চাথা মনিং লোইখোম্বীনা মহারাজ খোয়াম্বা, ইরাংলেন চাথা মনিং লোইখোম্বীনা মহারাজ চিংথংখোম্বা, থাইরোইলেন পিরাখোম্বীনা মহারাজ, কোইরেংখোম্বীনা মহারাজ লোইয়েনখোম্বা, থাইরোইবেন মিংকলোইখোম্বীনা মহারাজ তাংলেনখোম্বা, তিনকুবেন অথা কাবীনা মহারাজ নোংচুপ তালক মাইরং পামহৈবা, থাইখোবেন মুংখিল চাইবীনা মহারাজ নোংপোক মাইরং পামহৈবা, নোংথুবেন খুখোংহনা মহারাজ চিংলেন নোংঙ্গ্রেনখোম্বা, য়োইকমলেম চুংলেমখোম্বীনা মহারাজ নাওচিংলেন নোংঙ্গ্রেমখোম্বা, ইরাংলেন লোয়ম চাবুহোংবা চহুনা মহারাজ নৈয়েন নোংলেন সেঙ্গ্রেং মনিকখোম্বা, য়োইকমলোন খোংনৈমনা মহারাজ মনিক মুংলেনখোম্বা॥

মাওরৈবা চহুমা নাওফংবা, মৈতিংগু নাওফংবমা খুমন নিংথৌ মোইরাকপোক পুনশিবগী মনাও কনেং খুম্নাইবনা পোকপা কাইরৈমগ', মাওরৈবা চহুগী ৩মা পামহুনা কাইরৈমনা সমৈরাং পোকএ। নিংথৌ ওই। মাওরৈবা চহুনা মথলাং পোকএ।

খএলাংবা য়াওবৈবা চহু পাম্বুনা চিংমৈহ্নু কোইরেম্বা ১ শারিরপা লৈখহ্বা ১, ২বা পোকএ। চিংমৈহ্নু কোইরেম্বনা চিংকাবে চহু পাম্বুনা খোংনাংখগ নোংইনবা গা ১মা পোকএ।

খোংনাবগী ঈতি য়েংখোম শিরাইবা। খোংগী ঈ নশুল তাবা কৃত্তিধ্বজ ময়ুমনে। কৃত্তিধ্বজগী মাইপা তাম্রধ্বজ ময়ুমনে। য়েংখোম নন্দ ময়ুমনে। ককবা তাবা বীরসিং ময়ুমনে। য়েংখোম চোকসনবা পোৱ লাক্তরে। য়েংখোম য়াইঙ্গপোক তবা বলরাম ময়ুমনে। হংখুন তাবা কংক্রোম লাক্তরে। অচোমনাই মুকুন্দ লাক্তরে। য়েংখোম ককচিংদা লৈবা হেমাসিং ময়ুমনে। ককচিং কমেংদা লৈবা চন্দ্রকুশ ১। খোমদ্রাম তিন্নবা য়েংখোম লৈশাংখেম তাবা তুলাসিং ময়ুমনে। য়েংখোম থাংকংলাকম লম্ফেল মপাল তাবা শামু ময়ুমনে। য়েংখোম পোৎশাংবমদা লৈবা থাংমৈবন্দ তাবা শচৌ ময়ুমনে। য়েংখোম উমং শংবা শোইরবোম থিঙেল তাবা শামু ময়ুমনে। য়েংখোম তেংথন্দা লৈবা খোমি লাক্তরে। খোইরমদগী থাইবা চথাশংবা য়েংখোম খোয়াথোং তাবা অর্জুনসিং ময়ুমনে। য়েংখোম শগোলবন্দ তাবা পদ্মসিং ময়ুমনে। য়েংখোম হিদাকশুংবা মেইতাংপোক তাবা লোকনাথ ময়ুমনে।

মনাও নোংইনবগী ঈদি কৈথেল্লাকপম শ্রীরামগী ঈ লম্বুন তাবা চিংবা ময়ুমনে। কৈথেল্লাকপম থাংমৈ লৈকাই তাবা ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। কিশাবা খুরাই তাবা জয়সিং ময়ুমনে।

মোংখোম কোইজিং তাবা মোইরাম্বা লাক্কে।

কোইজিং তাব' কেশোরসিং ১ চোংথেনৈ। উরাম ঙাব' খেলরাম ৩১। য়েনখোমচাও ১। লৈখম্বী, ঈদি খোইরোম য়াইথিরিশাক তাবা চাওবাহন ময়ুংনে। মুরেম্বম থিরবা অকোং লাক্করে। চান্দ লাক্করে। শুমুগী খোইরোম কিরাম্বা লাক্করে।

নাকাকপা লম্বাল লৈমনাই তাবা মাইকা থনবা হুমান্দ ময়ুমনে। থাঙা খোইরোম তুলনে। চখাশংবম রূপসিংনে। মরাং কৈরেনৌ লোনথুম লাক্করে। খোইরোম পোংশংবম লৈবা থবান লাক্করে।

নাওরেমদা পকপা তেনবা মুংবগী ঈদি বাইচোম হিমাও-হনবা লল্লাবা লাক্কে। বাইচোম হরিচরণ লাক্কে। বাইচোম হিদাকফ.নবদা লৈবা অকাই লাক্কে।

মৈতিংগু সনৈমাংনা কম্পোং নিংথৌ চম্মু লাইবৈমা পাম্বনা মৈতিংগু উরা কোম্থৌবগা পুংমাইগা থমা পোকএ। মৈতিংগু উরা কোন্থৌবমু নিংথৌ ওই। মনাও পুংমাইগী ঈ বাংথে কালাম্বম চাইবা লাই ওইবসু লাক্কে। মুম তাকপা মৈরেম্বু লাক্কে। থোংকাম্বম মুহন লাক্কে। সংলেন বাসী লাক্কে। সংলেন লৌরম্বাম লাক্কে। মোইরাং মাইরেম্বম খোংনেমগী ঈদি উরবা ময়ুমনে। মোইরাং মাইরেম্বম কৃষ্ণনন্দ ময়ুমনে।

মোইরাং ফেলেম লবঙ্গ ময়ুমনে। ফেলেম থোইবা ডাংলো লাকপা ময়ুমনে।

"মৈতিংঙু উমা কোম্থৌবনা খাবারোন নোংচেংবম্নুনে, নোংপান হোইয়াবিনে ২মা পান্নহুনা খাবারোম্বা নাওহনে, লাইবরেন, নাওখিংখোংনে, নিংথৌবাডানে ৪মা পোকএ। নোংপান হুই-য়াম্বীনা ফৌরাংয়াংলাইকোকস্থ পোকএ। মৈতিংঙু নাওখিংথোং নিংথৌ ওই। নাওহুম্মা থুনতোং মাওশাং চহু পান্নহুমা অখিং হৈরোবগা নিংথোনবা ২মা পোকএ। অখিং হৈরোংবনা লংমাইথেম চহু পান্নহুনা মাগী ঈদি হৈরোম খৌমম্যাশংবম থুবাইডাবা পাচেন-তোন ময়ুমে। থুম্লেম কোংয়াম লাক্কে। মাইরি শকথী লাক্কে।

মনাও নিংথোনবনা মোইরাং চহু তাইথুরেম্বী পান্নহুনা মাগী ঈদি তাইনজম মোইরাংথোম ডাবা খাবিগী ঈদি মেঘ ময়ুমনে। কৈরেনশংবম তাইমজম খেমাসিং ময়ুমনে। তাইমজম সাপমদা লৈবা চম্রোই লাক্কে। পাওবম অচৌসিং লাক্কে। তাইনজম খেমা ময়ুমনে। তাইনজম নাওরেম চপ্রৌ তাবা পুরুষোত্তমগী ঈদি বীরসিং ময়ুমনে। হুইরোংবমগা তিম্রবা চাংডা মখা তাবা তইনজম ভোগিন্দ্রসিং ময়ুমনে। তাইমজম নাওরেম কাঞ্চনগী ঈদি অরাদা লৈ। মথং ককয়াদা লৈবা জগদানা য়ুম ডাকলি। অয়োংদগী লাকপা তাইনজম লৈসং ময়ুমলে। য়ুম থাক্তবা পাওল লাক্কে। অবাংখুল থাইবা (খুপি) খুলিংগী ঈদি লৈসংদা ডিল্লে। তাইমজম চীংঙামখা তাবা চাংবা ময়ুমনে।

অয়োংদগী তাইমজম মদন ময়ুমনে। ময়াং কৈরেলশাংবা তাখেম্বা লাক্কে। য়াকচিংকৈ তাবা লাক্কে। লমলোংকৈ তাবা লাক্কে। ইরোইশেম্বা তাবা লুয়াংবা লাক্কে। তাইমজম শকথী লাক্কে। অঙোম নাই মায়েম লাক্কে। চঙাংকৈ তাবা তাইমজম লাক্কে। তাইমজম চেংবা লাক্কে। থিমুকৈ তাবা হেংবা লাক্কে। শামুরৌ তাবা তাইমজম বীরসিং ময়ুমনে। চঙাংপাং তাবা তাইমজম লাক্কে। হাওরমদা লৈবা অচৌ লাক্কে। শং অহনবগী তাই-মজম জয়সিং ময়ুমনে। চিংবাযোইবী মনাই লুরাং লাক্কে। চৌংথাখমদগী তাইমজম পূর্ণ ময়ুমনে। নাওচনগী ঈনি হাইনা নৌনা নাওথেমদা পকপা তাইমজম ঙোবা ১। থোইনাই ১। খেম্বাগী তাইমজম সত্রেশ্বর ময়ুমনে। য়ুমপাদগী তাইমজম লাক্কে।

কৌয়াংয়াং লাইকোকপুনা অঙোম চম্ভু পামহুনা মাগী ঈদি লৌয়েম্বম খুবখোমগী ঈ য়াংখৈ লৈকাই তাবা অয়া লৈমা মপাম হুইনবাসিং ময়ুমনে। লৌয়েম্বম খোংনাংথাবা খোংমল তাবা রুপসিং ময়ুমনে। থাইবা থিয়ামদগী লাইহুম লাক্কে। লৌয়েম্বম য়েত্রেহনবম ভবানসিং ময়ুমনে। লৌয়েম্বম য়াংখৈ লৈকাই তাবা জর্ম্মসিং ময়ুমনে। জর্ম্মসিংদগী থাইবা লৌয়েম্বম ভীমসিং ময়ুমনে। জম্মসিংদগী থাইবা লৌয়েম্বম বেদসিং হজারী ময়ুমনে। জম্মসিং-দগী থাইবা লৌয়েম্বম ফুবা তাবা চুড়াচান্দ ময়ুমনে। থিমুংকৈদগী লৌয়েম্বম তোমবা লাক্কে, চিংপালৈমাদগী অয়োইবা

লাক্কয়ে। মোইরাংদগী নাবাং লাক্কে। লমঙ্মাংদগী লৌমেল্লম শ্রুপা মঙ্গনে। ঙাইখোং লৌবেম্ময় চেকয়াম্বা লাক্কে।

. মৈতিংঙু নাওথিংখোম্বা থুমঙ্গয়েন, চিংঙাইলোম্বা পিঙংবা ল'মাই নিংথৌ চঙ্গনে, কৈরুহাইবীনে, নামুল চাওবীনে, সংখুবী লমতুলো হোংবিনে, খোইরু লাংমৈকগুনে, নিংথৌ কুন্নাঙপাংবা চহু লৈবা লাইখোংতোংবীনে, নোংপান সঙ্গী লোম্বীনে, ইরেং-কোন ফাবিনে, ঙমা পাংহনা। থুমঙ্গয়েম্বা খোংজেলচানা পুংকৈ লাম্বগা ঙমা পোকএ। পিঙংঙাদি শোইনাইদে। নামুল চাওবীনা মচানুপী অমা পোক্কনা পম্বাংদা শিরে। কৈরুহাং-বীনা নিংথৌকলবগা নিংথৌবগা ঙমা পোকএ। খোইরু লাংমৈ চঙ্গুনা থিংকোন ইমকুঙ্গা পোকএ। নিংথৌ কুন্নাঙবা চহু লৈবা লাইখোংতোনবীনা নিংথৌ অকাম্বা পোকএ। সংখুবী লমতু হোংবীনা খিংনামঙ্গাংকন পনবাম্বা পোকএ। নোংপান সঙ্গী সোম্বীনা নাম্বিলখোম্বা পোকএ। নামুল চাওবীনে ইরাং কোমফাগীমে ঙমাদি শোইনাইদে।

মৈতিংঙু খোংজেলচানা নিংথৌ ওই। মনাও পুংকৈ লান-থাবগী অদি ইপুসংবম ১। ইপুসংবম খুন্নাই তাবা পার্থ মঙ্গনি। শাজৌদগী থাইবা ইপুসংবম মোংশাম্বা ১, ইপুসংবম কোম্বা তাবা ১ কোম্বা কবুই ১, মুকিন ১, তাওবা ১, দয়ারাম ১, খাইম্বা হবি ১, সেকওম্বা ১, লাপামি।

নিংথৌচারোল

মেলাংহন্না অঙোম চহু পাল্লহুনা মাগী ঈদি খুমন নহ্কল ময়াম্বগী ঈ চৌংতোন তাবা পূর্ণসিং ময়ুমনি। খুমন্নম মোইরাংথেম তাবা বলদেব ময়ুমনি। খুমন্নম পাংশোট ছাৗবা মোনশাম্বা লাক্কে। খুমন্নম মাক্লিং তাবা রূপ ময়ুমনে। মৈতৈ হাওচোংপন তাবা তোলেনথোম্বা ময়ুমনে। খ্বাইরাম রুসনী ঈ খ্বাই তাবা চিংশোম্বা ময়ুমনে। খ্বাইরাম পোংশংবমদা লৈবা যুমতাগী ঈ মাইরেকশংকোবা বীরসিংদি, সুরেন্দ্র তিক্লে। হাখুচৌদি লাক্কে। সিথোংদগী খ্বাইরাম জয় ময়ুমসু থোক্লম্বা তিক্লে। সিনাইথোং মরিন মপান তাবা চাওবা ময়ুমনে। খোংমরি মুবা লাক্কে। সুখাম চাওবগী ঈ শগোলবন্দ তাবা পিবাদি ময়াংনা লৈ। মথং চৈতন্য গোপালনা যুম তাক্লি। সিথোংদগী সুখাম খোংমন তাবা রূপসিং ময়ুমনে। লাইতোন্জম চন্দ্রসিং ময়ুমনে।

মোনাংখুনা চাওবা লুওস্থগী মচা পাল্লহুনা মাগী ঈদি মোইরাম পাংসোই তাবা চক্রপানী ময়ুমনে। রাকচিং কৈপানা থোক্লরগা শগোলবন্দা লৈবা রমনমনি ময়ুমনে। ময়াংলম্বম মুবগী ঈ নহ্কল তাবা পিবাদি অবাদা লৈ। মথং তুলশীনা যুম তাক্লি। ময়াংলম্বম ললাংবুং তাবা জীবনসিং ময়ুমনে। ময়াংলম্বম খুলেন লাক্কে। নাওরোইবম মুরাবিগী ঈ লমজাওতোংবদা লৈবা চৈতন্যনন্দ ময়ুমনে। নাওরোইবম খেলসিংহ ময়ুমনে। নাওরোইবম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং জীবনসিংহনা যুম তাবলি।

মঙাংলক্পম মঙাংদগী লাকপা চৌঙাম্বা তাবা নীংসিং ময়ুমনে। নীংদগী থাইবা সিংথোবা ময়ুমনে। অচাম্বীগী চঙ্গী লাংমৈ লাক্কে। সেনাপতি লাইবা লাক্কে। হাওবীকম য়ুবারী লাক্কে। চংসিং-সেনবম ওংকোম বদোমপোকপী তাবা শেখসিং ময়ুমনে। মোংশাংকৈ তাবা কাঙশেনবম লাইশংবম খেলরাম লাক্কে।

থিংকোম য়ুমকপা অঙোম চহু পাম্মুনা, মাগী ঈদি খোই-য়ুবম হানুবী ঈদি মঙাংদা লৈ। মথং শগোলবন্দ তাবা গৌর সিংহনা য়ুম শাক্লি। লোইতাম লমলোইবী ঈদি নবকুল তাবা দুর্গাসিং ময়ুমনে। অহনদি কংচৌনে। নেংনে। অঙোম মনাই খোইনবম লোস লাক্কে। খোইনবম হাওকৈ তাবা অভিরাম লাক্কে। খোইরুজম ময়াম্বা কৈ হিদং লাক্কে। মনাও-তোন কীশাবদা লৈবা লেম্বী ঈদি অরাং পুনৌ তাবা মদনসিং ময়ুমনে।

নিংথৌ অকাম্বনা অঙোম চহু পাম্মুনা, মাগী ঈদি খুমাংবা শংবম মুরারীগী ঈদি ইরোম শিনাম জুমজ্বসিং ময়ুমনে। ইরোম শিনাম বনমালী লাক্কে। হাবচিংকৈদা লৈবা নামোইজম খিনিজ্রাম ময়ুমনে মোংশাংকৈদা লৈবা লাইশংবম খেলরাম লাক্কে। খুমাংবা শংবম গঙ্গাচরন লাক্কে। হাওবমদা লৈবা ইরোম শিবাজি মঙাংদা লৈ। কাঙনাপীনা য়ুম শাবলি।

খিনাংশংবম চাম্বনা অশাংবম চহু পাম্মুনা মাগী ঈদি ইসি... ... ... শিংনাম খুরাই কংবা ... ...।

খিংনাম তম্পাক য়ুমদা লৈবা লক্কেল মপাল তাবা কাছুনগী ঊদি ময়াংদা লৈ। মথং পাঙনজোয়া য়ুম তাক্লি। খিংনাম মোনশাং লাক্কে। ককচিংদগী লাকপা থিংনাম খ্বাই তাবা জয় ময়ুমনে।

নাখিলখোম্বনা লোংমাইথেম চম্বু পাম্মদুনা মাগী ঊদি অখোম গোবিন্দ লাক্কে। থাজবা কৈশা অখোম ছত্রসিং ময়ুমনে।

মৈতিংঙু খোংতেকপনা পুকৈ ইরেল চম্বু পামদুনা কৈরেনচা পোকএ। নিংথৌ ওই। কৈরেনবানা লাইজবা চম্বু পামদুনা য়াবা পোকএ। য়াবনা লাম্বাম্বু পামদুনা অয়াংবগা হাওবা কোকফা ২বা পোকএ। অয়াংবনা নিংথৌ ওই। হাওবা কোককী ঊদি খুল্লাকপা দয়াময়গী ঊ, তাংখম তাবা খুল্লাকপম ব্রজমোহন ময়ুমনে। থাংমৈবন্দ তাবা খুল্লাকপম জয়সিং ময়ুমনে। খুল্লাকপম ময়সিং ১, থাংমৈবন্দ তাবা খুল্লাকপম, খুরাই তাবা দয়ানিধি ময়ুমনে। খুল্লাকপম যাংথৈ লৈকাই তাবা সুভদ্রাসিং ময়ুমনে। সুভদ্রাদগী থাইনা খুল্লাকপম ওইনাম খিজেল তাবা ভুবনসিং ময়ুমনে। খুল্লাকপম থাঙ্গদা লৈবা শাকো ময়ুমনে। খুল্লাকপম কোইজিং তাবা খোংনাং ময়ুমনে। খুল্লাকপমনি হাইনা মরাং লৈবাদগী পরুবা খুল্লাকপম ১, সোংকৈয়াম চরন ১, লিক্লাই ১, হিরণ্যসিং ১, খগেন্দ্র ১, লাইরিক থীবা দামুগী ঊ লংজিং মাধব শেন্তুংবা ১, খুল্লাকপম ভাংবা ১।

কাওবম তোলেনগী ঊদি চিঙামথা তাবা থাঙ্গাল মেজর লাইকম লাকপা ময়ুমনে। কাওবম মোংমৈবুং তাবা ধর্ম্মসিং

ময়ুমনে। অঙোমনাই গৌর লংক্কে। মহক্কু তাবা বাঙবা কোনশাবা শালিবা ভুবেন্দ্রসিং ময়ুমনে।

লাইকথেম্মখুনিং লাক্কনে। লাইকংথম হক্ক লাক্কে। হাও-খোম সাত্রাম লাক্কে। নাকমবম খোংজোম লাক্কে। নাহাবপম তিম্বা হাওখোম লমলোই লাক্কে। হাওখোম লংশাং তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং তোনানা য়ুম ভাকলি। হাওখোম কৈ কাবা খেলেম্বা লাক্কে। হাওখোম শগোলশেম্বা পাউল লাক্কে। হাওখোম তবা তাবা পদ্ম লাক্কে হাওখোম লমশাং তাবা পিবাদি অবাদা লৈ। মথং চেসিংজনা য়ুম ভাকলি। নাহাবপম তিম্বা হাওখোম পাংশা লাক্কে শানৌবম খুাই তাবা পাচৌ ময়ুমনে। শিংবদগী তুলশী ময়ুমনে। শানৌবম থাংমৈবন্দ তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং বাপুচান্দা য়ুম ভাক্লি। শানৌজম হরি লাক্কে। শানৌজম লংথোক লাক্কে। বায়েপ্পম শগোলবন্দ তাব তোনজাওবা ময়ুমনে।

লৌরাংবম থাংবিচারৌ তাবা পিবাদি অবাদা লৈ। মথং শ্যামপুর্ণনা য়ুম ভাক্লি। লৌরাংবম পুকচাও লাক্কে। নাকম্বাদগী লৌরাংবম হিরাম লাক্কে। লৌরাংবম ভাংবা লাক্কে। য়াঙৌ চৈবাখোম্বা লাক্কে॥ কীশাবা অবাং পোশংবম তোনশন ময়ুমনে। চাইরেন্দগী কুমলৌ তাবা কিম্বাম্বা লাক্কে।

মৈতিংঙু অয়াংবনা লাম্বাম্ব শাকছুনা নিংথৌ চেংগা থংজাওগা ২মা পোকএ। মৈতিংঙু নিংথৌ চেংনা নিংথৌ ওই।

খমত্তাওনা অঙোম চম্মু পাম্মহুনা, মাগী ঊদি সাইরেম । য়ুম্লেন লান্নবগী ঈ খুরাই তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং গৌরচন্দ্রনা য়ুম ভাকলি। সাইরেম খুরাইলাকপা মনাই পিরাদি মরাংদা লৈ। মথং জয়চন্দ্রনা য়ুম ভাক্লি থাংপিচারৌ তাবা অখোংবম উমানম ময়ুমনে। রাংবল ওইবা সাইরেম অপং চংক্লে। সাইরেম খোংবী লাক্লে। সাইরেম য়াংবা লাক্লে। সাইরেম খুরাই তাবা চক্রপানী ময়ুমনে। বাইখোংদা লৈবা সাইরেম চাওবা ময়ুমনে।

মৈতিংঙু নিংথৌ চেংনা লাম্মু পাম্মহুনা চেংলৈ ইপান লাম্নপা পোকএ। চেংলৈ ইপান লাম্নবনা লাম্মু পাম্মহুনা য়াংলৌ কৈকপা পোকএ। য়াংলৌ কৈকপাবনা খোংলৈমা পাম্মহুনা ইরেংলগা মাহুত পসুগা দমা পোকএ। মৈতিংঙু ইরেংবনা নিংথৌ ওইদুনা মাহুত পামনা শোইবম চম্মু পাম্মহুনা, মাগী ঊদি শোরাম মুনিগী ঈ কব লৈমনাই তাবা নাওলসিং ময়ুমনে। কন্নং নাইবদগী শোইরাম কোংবা মপল তাবা যদুনাথ ময়ুমনে।

সাইখোম তোনসেন ময়ুমগী কাংখলবা সেরসিং শেল্লুংবা ১, ললহাম্বা ১, চূড়ামণি ১ অসিদি নেংচুপনি।

মৈতিংঙু ইরেংবনা হাওলৈমা তমহৈবীগা হাওরৈমা পিতোংঙু লুকাবী ২মা পাম্মহুনা। হাওরৈম, তমহৈবীমা মৈতিংঙু লোইয়ুম্বা পোকএ। হাওরৈবা পিতোংঙু লুকাবীনা খমলাং পাম্বশা পোকএ। মৈতিংঙু লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওই। খমলাং পম্বশাবনা

অঙৌবা ঙাংলো লান্থবা চহু পামদুনা, মাগী ঈদি মুতুম পুক্রবো-
তমগী ই, ললহামপুং তাবা যুগলসিং ময়ুমনে। মুতুম
ঙাংগৈহাল্লা তাবা লাইশ্রম ময়ুমনে। মুতুম নমবুল তাবা বীরসিং
ময়ুমনে। ললহামপুং তাবা মুতুম শুরুসিং ময়ুমনে। হুইরোং-
বম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং রামসিংনা যুম ঙাকলি। অহল
লসমনদি খোকনতা পানমা কাওইমা যুম ঙাকখিয়ে। হুইরোংবম
খোং মপাল তাবা পিবাদি তখেলদা লৈ। মথং তুলসিংনা যুম
ঙাকলি। হুইরোংবম লফুপোক তাবা পিবাদি মরাংদা লৈ। মথং
মালতীনা যুম ঙাকলি। চফুপোক তাবা মুতুম ঘনশ্যাম লাক্লে।
মুতুম নমবুল তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং জয়সিংনা যুম
ঙাকলি। অঙোমদা লৈবা পাঙল লাক্লে। মুতুম খাই তাবা
পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং বলনা যুম ঙাকলি। মুতুম শগোলং-
বন্দ তাবা রূপচন্দ্র ময়ুমনে। কবো লৈকাইদা লৈবা কংলা
লাক্লে। মুতুম হাইস্নেনবম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং জাত্র-
সিংনা যুম ঙাকলি। মুতুম জয়সিংহ ময়ুমনে। কৈ ভিদংদগী মুতুম
লালহামপুং তাবা ঝুলন ময়ুমনে মুতুম খৌদাল তাবান, কাংহা
রামানন্দ ময়ুমনে মুতুম নাহাকপম মাংখৈ লৈকাই তাবা পিবাদি
ময়াংদা লৈখরে মথং গৌরসিংহনা যুম ঙাকলি। নাহাকপম
লখঙসিং ময়ুমনে। মুতুম থুবাই তাবা জয়রাম ময়ুমনে। মুতুম
খোংমন তাবা জগৎসিং ময়ুমনে। কোংবাজম অথাই লাক্লে।
মুতুম হিদাকফাংবা জয়সিং ময়ুমনে। মাখোঙদগী মুতুম তোম্বা

লাক্লে ।৩ লুপুক্তোদগী মুতুম ল'ক্লে । মুতুম অময়াময়মবম শিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং খুরাই তাবা তাম্রসিংনা যুম ওাক্লি। মুতুম খৌবাল তাবা শিলানন্দ ময়ুমনে । হাওবং তাবা মুতুম তোনখোম্বা ময়ুমনে। মুতুম পুকচাও লাক্লে । মুতুম ক'জা লাক্লে। সওাইপ্রো তাবা গঙ্গারাম লাক্লে। মুতুম থোইবা লাক্লে। মুতুম কৌবাকচাও তাবা পুর্ণসিং ময়ুমনে। থুন্নেন্দগী মুতুম গোবিন্দরাম লাক্লে খুমতোম চথাংকৈ ত'বা শিবাদি অম্বাদা লৈ। মথংদু ময়াংদা লৈ। মথং খেলানন্দনা যুম ওাক্লি। যাইরিপোক্তগী মুতুম লাক্লে। থাজংহুমবা মুতুম মরেম লাক্লে মুতুম লংযান চক্রপতী লাক্লে। চিরোমদগী মুতুম থোইবা লাক্লে। হাওবমদগী মুতুম লাক্লে। মুতুম খুংতম্বা মরেম লাক্লে। ময়াংলম্বম মুতুম তেংকোম লাক্লে। চিঙামখা তাব, খেমসিং ময়ুমনে। চন্দ্রখোংদা লৈবা মুতুম পুর্ণসিং লাক্লে। মুতুম অঙোম লবাই তাবা তোলেন ময়ুমনে। খোংমন্দগী থাইবা মুতুম, চন্দ্রখোংদা লৈবা খমলাং ময়ুমনে। পালংদা লৈবা মুতুম লীলাসিং ময়ুমনে। তেংথম্বা লৈবা মুতুম ভবানসিং ময়ুমনে। খোংমন্দগী থাইবা অরোই ময়ুমনে। গুরু মনাই তুলশীরাম ঃ নোংচুপনে।

হৈরাংখোংজম রূপানন্দগী ঈ, কৈরাও ত'বা বলরাম ময়ুমনে। হৈরাংখোংজম লমবুল তাবা রমাকান্ত ময়ুমনে । হৈরাংখোংজম অখোল লাক্লে । লানসোম্বৌদগী হৈরাংখোংজম লাক্লে। ককচোং খুলেন্দগী হৈরাংখোংজম ফলসিং ময়ুমনে।

হৈস্নাম জয়সিংগী ঈ, গোবুন্দসিং ময়ুমনে। হৈস্নাম থুংতা ময়ুমনে। কুমতাদগী থাইবা হৈস্নাম, কোকচাইদগী গোলচন্দ তাবা চন্দ্রসিং ময়ুমনে। মোইরাংদগী হৈস্নাম অযারাম লাক্তরে। হৈস্নাম স্নাহন্দা লৈবা সদানন্দ লাক্লরে। হাওবমদা লৈবা হৈস্নাম ঘনিরাম লাক্লরে। থাঙ্গদা লৈবা চাওবা ময়ুমনে। সাপম মুবগী ঈ, নবকুল তাবা হরসিং ময়ুমনে। সাপম রামচন্দ্র ময়ুমনে। সাপম লোলাই তাবা তুলারাম ময়ুমনে। চিংংগী সাপম লালোই লাক্লরে। উপুং যুমথংবদা লৈবা তুলসীরাম লাক্লরে। খাইখোংদগী সাপম জয়সিং ময়ুমনে। হকরাঙ্গেম তোনবগী ঈ, নবকুল তাবা দেবসিং ময়ুমনে। হকরাঙ্গেম থাদোই লাক্লরে। মোইরাংদগী হকরাঙ্গেম শিবা ময়ুমনে। উখেল নাইরিদগী হকরাঙ্গেম থৈবতেম লাক্লে। হাওবমদগী হকরাঙ্গেম মুনিরাম লাক্লরে। হকরাঙ্গেম নিতৈল তাবা স্নাহসিং ময়ুমনে। সেকমাই-দগী হকরাঙ্গেম কোইরেং লাক্লরে। ক্ষোগাকচাওদগী হাওবম মরক তাবা হয়িংবেম ইবোংচা শিংখাদি ময়াংদা লৈ মদং জসিতানা যুম তাকলি। জসিতাদগী থাইবা থাই তাবা ছারংবম বীরহরী ময়ুমনে। ছরেংবম থাই তাবা বীরহরিদগী থাইবা জসিত ময়ুমনে। বিভারনা লৌখৎপা।

ইরোম থঙ্জিং ঈ, চিঙামথাদা লৈবা শিব দি ময়াংদা লৈ। প্রেমানন্দনা যুম তাকলি। ইরোম তমপাক যুমদা লৈবা চিঙাংথা তাবা চোংথামথা হজবা ইবা ময়ুমনে। ইরোম পানা থাবা

খইন্তে লাক্লরে। ইরোম খুরাই তাবা চৈতন্য মযুমনে। ইরোম লৈশাপাম্বা লাক্লরে। ইরোম ঙাসিং লাক্লরে। ইরোম হাওবম মরক তাবা জয়সিং মযুমনে। ইরোম চিঙ্গামখা তাবা খুংহৈ। ঙঙ্গবা বাপু মযুমনে। ইরোম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং খোম্বনা যুম ঙাক্লি। ইরোম হাওবম মমক তাবা কৃত্তিবাসী মযুমনে। জয়সিংদগী থাইবা ইন্দ্রমনি মযুমনে॥ ইরোম কৈশৌ তাবা হেমসিং মযুমনে। ইরোম খাঙ্গদ লৈবা চেকল লাক্লরে। নিংথৌ শেনবা লক্ষন লাক্লে। ইবুঙো অনন্ত সইদা লেবা খুনিং লাক্লে। ইরোম নাচৌদা লৈবা ধনসিং মযুমনে।

মৈতিংঙু লোয়সনা সুমলৈমা পাম্বহনা, লোইতোংবগা ফিসুখোংগা ২মা পোকএ। মৈতিংঙু লোইতোংবমা নিংথৌ ওই। ফিসুখোংনা অঙোম চসু পাম্বহমা, মাগী ঈদি কৈশাম ভাগ্যচান্দ ১, কৈশাম কামদেব লাক্লরে। কৈশাম চক্রগী ঈ নমবুল তাবা পিবাদি অরাংদা লৈ। মথংম্বু ময়াংদা লৈ। মথং চাওবনা যুম ঙাকলি। কৈশাম মোইরাম্বা লাক্লরে। কৈশাম পোংশংবমমা লৈবা নমবুল তাবা তুলশীমনি ১, কৈশাম চিঙ্গামখা তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং অহাংনা যুম ঙাকলি। কৈশাম নোংমৈবুং তাবা মুক্তেসিং মযুমনে। সেক্মাগী কৈশাম তাঞ্জৌ মযুমনে কৈশাম পনাসং মযুমনে। কৈশাম নমবুল তাবা ছত্রচান্দ মযুমনে। নিঙোম্দা লেবা কৈশাম পুর্ণানন্দ মযুমনে। কৈশাম চিঙ্গামখা তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। তোমম্বনা যুম ঙাকলি।

অনৌবনে। নোংচুপনা কৈশামনি হায়বা মৌনা শকচবা উয়রম, কলরাম ১, বলরামগী উ রত্নাম্ব ১ মোংচুপনে। হিদাক শুংবগী লৈচনবম খুল্লিংগী ঈদি থম্বাতোম ময়ুমনে। লৈচনবম হিদাক কানবদা লৈবা খুল্লিং লাক্লে। লৈমখামবম (হিদাক কানবদা লৈবা খুল্লিংগী ঈ) খোয়াথোং 'ভাব' কমানন্দ ময়ুমনে। শং-অহনবদগী লৈচোন অবাং খুদো তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং তিলকসিংনা য়ুম ডাক্লি। লৈচোমবম কৈরেমসংবম কোবিন্দা-নন্দ ময়ুমনে। কৈশামবুদি লৈচোমবম হল্লে। ইরেংবম য়মমনগী ঈদি ইরেংবম লরাই তাবা মুক্লেম চাওবহনবদা পিবামি। জগদানা নোক্লে। তানখোংথোং তাবা তবমসিং ময়ুমনে। লমলোংকৈ তাবা ইরেংবম পূর্ণধন ময়ুমনে।

শাদোকপম শেল শাংগী ঈ, খোবাল তাবা কৃত্তিবাসী ময়ুমে। শাদোকপম শকথী লাক্লে।

চরাইবম গৌরগী ঈ, কাকযুং তাবা তম্পাক য়ুম রঘুনাথ ময়ুমনে। লাইরেঞ্জমদগী চরাইবম ওয়ারাম লাক্লে চরাইবম খাংথৈ য়ুম পানবা লাক্লে। চরাইবম কবো খাকচিং তাবা লাক্লে। চরাইবম খাইদিপোক তাবা লাক্লে। লৈচাপিদগী চরাইবম লাক্লে।

মৈতিংগু লোইতোংবনা স লৈমা পাম্বনা জোম য়োইরেন-বগা হেনতো ইরান থাবগা সরাবগা ওয়া পোকএ। হেমতো ইরান থাবনা নিংথৌ ওই। সরাবনা পুক্রাই চৎ পাম্বনা য়োইথং-ও.ইনে, লেংনে, চানাদে, কাপানে, পাঙালদে চংপেংএ।

য়োইথংঙাইগী, ঈদি লোইতোংনম ঙাংবা লাক্ই। লোইতোংবম লেপ্পগী ঈ, অতোম নাই অংথা তংবা অমুসিং ময়ুমনে। যুমলোই তাবা লোইতোংবম খোমদন লাক্ই। খিঙ্গংবৈ তাবা মিংকাও লাক্ই। সেবাগী ঈদি লোইতোংবম শিংথৈমে তাবা চিংশোবা ময়ুমনে।

চানাগী ঈদি, লোইতোংবম গোবিন্দপ্রাসাদ ঈদি থাংথৈ লৈকাই তাবা ঙাংথাকংবম সুদাম ময়ুমনে। অথামদা লৈবা লোইতোংবম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং তাম্রধ্বজনা যুম ঙাকলি।

কোপাগী ঈদি হাংউদগী লোইতোংবম তাংসোইরেম্বা ময়ুমে।

পাংজ্রোগী ঈদি, লোইতোংবা খিরাম পুংখুল তাবা উংসংহঞ্জ ময়ুমমে। নাচৌ তাবা হিদাক কান্নবদা লৈব খোজাও ময়ুমনে। লোকপদগী থাইবা নাহারপ্পা লৈবা মতমসিং ময়ুমনে। উস বা ধ্বজদগী থাইবা হিয়াংথাং তাবা হর্ম্মসিং মহাজন লোইতোংবম নংচৌ লাক্ল্বে। কোইডিং তাবা লোইতোংনম কামদেব দা ঙক্লে। হৈত্রাদগী লোইতোংবা বৈপা লাক্লে।

মৈতিংঙু অতোম য়োইরেম্বন। থয়োইরোই লিকলাং খোমহানবী পামহুনা তৌরেনহনবগা, তৌরেন থুবগা হমক্পোকএ। তৌরেন থুবদি শোইমাংদে। তৌরেন হনবন থুংম্মেম চক্ত পাম্মনা আতাম নাহা সঙ্গাই পাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি আতোম

বাইবেল মপান্ন তাবা পিবাদি মচাদা লৈ। অথং থোংনে তাবা নরসিংহনা য়ুম হাবখি। অতোম বাইবেল মপান তাবা সম্প্রদায় ময়ুমনে।

অসুম গম্ভীরসিংহ নিংথৌচাগী সঙ্গাই য়ুমচংবা অমগী থাইদোকপা মরুপ অমসিগী গোত্রদি আকণ্ঠ শ্রীকান্তব গোত্র। গোত্র অসিগী সঙ্গাই নিংথৌ মকোক অহানবদি সংকৈন্দা হেমতৌ ইরাংথাবা মৈতিংঙু হেমতৌ ইরাংথবা লিংগুবেন খুবোক তঙ্গীগা অতোম চসু হেমখুঙ্গৌশী, ২য় সামচুক্‌পা। লিংগুবেন খুবাইগী খুবোংগা, থবান থাবনা, নিংথৌ পোংগা তাকা, মেনশা নহা লোইবাং চাওবগা চমা পোকএ। অতোম হেমখুঙ্গী চসুনা চক্রাই খুংসুম্বা পোকএ মৈতিংঙু থবান থাবনা নিংথৌ ওই। চক্রাই হোংখুম অপগী ঈদি পাওনম অমাগী ঈ লাইনিংথৌ ঈশিংচাইবা সংবা নাগমপান তাবা নৃসিংহ ময়ুমনে। পাওনমদা লৈবা পকপ অমতোম ১। পাওনম লক্ষ্মণ অহন নোংমা নপাকে পাখংম মুনা ১। পাওনম হাওবা তাব লমহাম্বা লাক্কে। ইবুংগো অনৌবা শাইদা লৈবা পাওনম নেম্বা লাক্কে। যেনবাম অহৌ লাক্কে মাইমপোকপগী পাওনম লাইরিকয়েংমা লৈকাই তাবা অশুম্বা ময়ুমনে তম্পাক য়ুমদা লৈবা পাওনম পুকচাও লাক্কে। থাঙমদগী পাওনম ভাইখোম্বা লাক্কে, হাওখাম তাবা ওংখাম বলাংসিং মমাংদে

যেনবাম কোকচাই তাবা পিবাদি অবাদা লৈ। অথং লসিংদে

য়ুম থাকখি। য়েনম্বাম খুরাই তাবা তম্পাক য়ুমদা লৈবা দুর্গসিং ময়ুমনে। খুরাইগী ইরুংবম পাওলগী ঈ চিঙাংবা তাবা গুণচন্দ্র ময়ুমনে। ইরুংবম সেখরসিং ময়ুমনে। হাওবৈদগী ইরুংবম অচৌ লাক্কে। অহনবদি লাক ওইবি ইরুংবম নব লাক্কে।

লুক্রাম চন্দ্রগী ঈ কোয়ুম্বা তাবা পিবাদি অয়াদা লৈ। মথং ১ পালান্দনা য়ুম থাক্লি। লুক্রাম লম্লাংবুং তাব পিবাদি অয়াদা লৈ। মথং মেঘবর্ণনা য়ুম থাক্লি। মেঘবর্ণদগী থাইবা খুরাই তাবা বলদেব ময়ুমনে। লুক্রাম চন্দ্র লাক্কে। লুক্রাম লুরাং-শংবমদা লৈবা কুমুদসিং ময়ুমনে। লুক্রাম পাওল লাক্কে। লুক্রাম তম্পাক য়ুম লাংপোক তাবা লৈপাক মচা ময়ুমনে। উমানন্দদগী থাইবা তাকনা মপাল তাবা সতাংচনবা ময়ুমনে। লুক্রাম নম্বুল তাবা ধনসিং ময়ুমনে। লুক্রাম কৈথেল মপাল তাবা চরন লাক্কে।

সোরারেন সংবা পিবাদি অয়াদা লৈ। মথং শিংজমৈ তাবা যুগলনা য়ুম থাকলি। অহল রূপদি মোয়েম লাক্কে। লুক্রাম তাংখোম্বা লাক্কে। লুক্রাম খোংপোম্বা লাক্কে। লুক্রাম মুরারী লাক্কে। লমলোংবৈদগী লুক্রাম তাংখোম্বা লাক্তুরে।

নোংথোম্বম হাওবম মনাই চন্দ্রমনি লাক্কে। নোংথোম্বম চৈতোনগী ঈ, ফীশাবা অতোম লরাই তাবা অচৌ ময়ুমনে। খুরাই তাবা নোংথোম্বম ফীশাবা যাদবসিং ময়ুমনে। নোংথোম্বম খাংচৈ লৈকাই তাবা ছত্রসিং ময়ুমনে। নোংথোম্বম মুরারী

লাক্লে। নোংথোম্বম কোংবা তাম্বা কীর্ণাবা কাম্বামসিং ময়ুমদে। নোংথোম্বম কৌবাক লাক্লে। নোংথোম্বম মেঘশ্যাম ময়ুমদে। নোংথোম্বম বলারাম লাক্লে। নোংথোম্বম নিমাই লাক্লে। নোংথোম্বম পুকচাও লাক্লে। নোংথোম্বম চাওজৌ লাক্লে। নোংথোম্বম মাইহৌবিপোক তাবা হিরোম নরোম ময়ুমদে। শগোলবন্দ তম্পা নোংথোম্বম হিরোম চিংজাও ময়ুমদে।

মৈতিংগু প্রধান শ্ৰবনা নোংপানলেন চবপ্রেম চম্বু তোগ হিঙ্গী পমক্লনা চিংথাংলাম্বগা সনৈম্বগা নমা পোকএ। চিংথাং লাম্বনা নিংথৌ ওই। সনৈম্বুগী ঈদি কমদোম পিবাদি অরাদা লৈ। মথং বিম্বুবলনা যুম ভাক্লি। মোইরাং ফমতোম ধর্মশর্মা ময়ুমদে। ফমতোম থাঙপিবম তাবা লাইমনাই পঞ্চ ময়ুমদে। চঙাংকৈপী ফমতোম দেবানন্দ ময়ুমদে। ফমতোম ক্যাম্বা লাক্লে। ফমতোম তোংখল লম্মাংদোংদা লৈবা পিবাদি অরাদা লৈ। মথং ম্বুবলনা যুম ভাক্লি। ফমতোম ভাংথোম্বা লাক্লে। ফমতোম শ্রীরাম লাক্লে। মোইরাং হেমনাইবা কুঞ্জমালা থুয়োম লাকপা ময়ুমদে। কুঞ্জমালাদগী পাইবা হেমাম জগৎসিং ময়ুমদে। খাগেম্বা পল্লি তাবা হেমাম জগৎসিং ময়ুমদে।

চিরোম অর্জুন লাক্লে। চিরোম তমপাক যুমদা লৈবা গোপীরাম ময়ুমদে। চিরোম লম্বোইবা চৈতন্য লাক্লে। খোইরোম তাবা দুর্লভ ময়ুমদে। চিংতামথক তাবা কৈজাও ময়ুমদে। চিরোম নিরঞ্জন লাক্লে। চিরোম নিকোল থাবা লাক্লে। চিরোম

মৌলিঙ্গসিং মখুমনে। চিরোম খাইখোম্বদা পালাসিং ময়ুমনে। চিরোম থাংমৈবন্দ তাবা ধর্মসিংময়ুমনে। খোই তাংবম অয়েম্বগী ঈ নাপমপাল তাবা হেমাঙ্গসিং মখুমনে। থাঙপিবমদগী খোইতোংবম শবধী লাক্লে। শাদোকপম পাংশোই তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং ইন্দ্রাবন্তনা য়ুম তাক্লি। অচলবদগী শাদোকপম ইচাও লাক্লে।

চিংথাং লাম্বুবনা নিংথৌ পোকপী পাম্মুনা পুরান্ত বগা থুমোম্বগা ২মা পোকএ, ২মা নিংথৌ ওই। পুরান খাবমা য়াঙশোম্বী পাম্মুনা কোংখাম্বগা অমোক্তা ২মা পোকএ। অংবোক্তী ঈদি নামৈ-রাকপম খোংজম লাক্লে। নামৈরাকপম শগোলবন্দ তাবা পিবাদি অয়াদা লৈ। মথং গোবিন্দনা য়ুম তাবলি।

মৈতিংঙু খুম্মাম্বনা য়াংকৈওম্বী পাম্মুনা মোইরাম্বগা তাংশোংগা ২মা পোকএ। মৈতিংঙু মোইরাম্বনা নিংথৌ ওই। তাংশোংনা লংমাই রাকচিং চন্দ্র পাম্মুনা, হৈচাংপাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি, নামৈরাকপম বলরামদি লাই ওই, লাক্লে। য়ুম তাকপা তাংবম্ব লাক্লে। নামৈরাকপম লাবা লাক্লে। রাংখৈ তিম্বা নামৈরাকপম অকোং লাক্লে। ময়াংবেন্দো তাবা নামৈরাকপম কুঞ্জরাম ময়ুমনে। কুঞ্জরামদগী থাইবা নামৈরাকপম চিঙাম্মথক তাবা নিমাই ময়ুমনে। কাকতাদগী নামৈরাকপম থাবা লাক্লে। হৈরাংখোইথোং তাবা নামৈরাকপম গোবিন্দ ময়ুমনে। ইবুংশিজ হরিরামদগী নামৈরাকপম নারান লাক্লে।

মৈতিংগু মোইরাংনা নোংপানংলোম খুমন খোম্বীসে অঙোবা উশ্যাম চয়ুনে, মাঙৈবা চয়ুনে ওয়া পায়রুনা, খুমন খোম্বীগী মৈতিংগু থংগিলাম্বমা পোকএ। নিংথো ওই। অঙোবা উশ্যাম চয়ুনা লোইখাওবা পোকএ। মাগী ঈদি হুইত্রে মনি। খাংগেম্বা পল্লি তাবা থাবল ময়ুমনে। য়ুম্নাম শাংখিবম মোইরাংখোমগী মখা তাবা নিরবসিং ময়ুমনে। অতুল চন্দ্র. সিংদি নোংমৈ। লৈমাপোকপম মহাবলি উমং হনিং তাব, পার্থ ময়ুমনে। লৈমাপোকপম পার্থদগী থাইখিবা রাইখেংদা লৈবা স্যাম ময়ুমনে। কৌত্রাকপম শগোলবন্দ তাবা মধুমঙ্গল ময়ুমনে। নাবরবম চিংকোল নিংথো শাবা উদ্ধবসিং ময়ুমনে। উদ্ধবসিংদগী থাইখিবা মাকম্বম-ময়ুরানন্দ ময়ুমনে। হুইত্রোম বলরামগী ঈ, পোংশংবম থোংদে লৈবা হনুহয় ময়ুমনে। ধনঞ্জয়দগী থাইবা নোংমৈবুং তাবা পিবাদি অহানদা লৈ। মখং ব্রজবালানা য়ুম তাক্লি। ব্রজবালাদি হাওনে। হুইত্রোম তাংখোম্বা লাকুবে। হুইত্রোম গৌরসিং ময়ুমনে। তাস্তক শাবনে। মোইরাংদগী হুইত্রোম ময়াঙ্গ লাকুবে। পানা থাংব. স্যামবহাই লাকুবে। খাংখৈদগী হুইত্রোম অঙোম লাকুবে। হুইত্রোম প্রেমচান্দ লাকুবে। মাইখোং লৈমনাই তাবা হুইত্রোম নুত্রসিং ময়ুমনে। নুত্রসিংদা পকপা থমলাংবা তাবা হুইত্রোম আইও ১।

মাওরৈবা চয়ুনা য়াংলৈওবা পোকএ। মাগী ঈদি য়ুম্নাম মোইবুংলোকপম মোইরাংখোম তাবা যদুনাথ আত্রবা ময়ুমনে।

খাইবা ভৈরব ১। খাংখৈদগী য়ুম্নাম যুবসিং ময়ুমনে। হাওরম-দগী য়ুম্নম আক্রোম লাক্লরে। শং অহন্বদগী য়ুম্নাম অহোংকৈ তাবা পিশাদি মমাংদা লৈ। মথং অমুংন্তে মা য়ুম তাকলি।

য়ুম্নাম পেনা খাংবম পিবদি অমাদা লৈ। মথং কাবপনা য়ুম তাকলি। কোংবমদগী য়ুম্নাম মকেম লাক্লরে। হাওদমদগী মাইমু লাক্লরে। ককাচংদগী য়ুম্নাম চাওবা ময়ুমনে। নিংথেম্দা লৈবা য়ুম্নাম থনিখম ময়ুমনে। য়ুম্নাম গদাধর ময়ুমনে। য়ুম্নাম পেনা খোংবা উত্তম ময়ুমনে। তংবা ময়ুমনে। অনৌবা মোহন নথংশদা নিংথেমচৌবা খেকচাওবু খা ৪গী গর্ভ য়াওনা পিখিরুনা। পোকপা লক্ষমনগী ঈদি খোমবিরোক তাবা কোনসম শাক্তৌ ময়ুমনে। কোনসম খোমদিরোক তাবা যুগলকিশোরসিং ময়ুমনে। য়ুম্নাম শিংজমৈ তাবা নীলধ্বজ ময়ুমনে। কৈনৌ তাবা য়ুম্নাম ভাগ্যসিংহ ময়ুমনে। য়ুম্নাম ভুমবরসিং ময়ুমনে। বোনশাবা কাকপা লাক্লে! লাওথেল তাবা কোনসম শ্রুপানন্দ ময়ুমনে। মোইরাংগী ঈনি হায়না লৈএ।

মৈতৈ তু থংপি লান্থবানা ইথানকেন লৈমা য়োইরেন তোমপোকপীগা, লৈমাখুবী নিংথৌ তোরা চনুগা, য়ুমথু চনুগা, য়াঙ্কাইচনুগা, খেংবম চনুগা, লৈমা থংতাগা অমা পাম্মুনা, য়োইরেন তোম্পোক খুমোম্বা পুমশিংলাংবা পোকএ। মাগী ঈদি নোংথোম্বম সনাবাইপম খুবাই তাবা কুন্দাসিং ময়ুমনে। দামুদরদি নোংসে। লাক্লরে। নিংথৌ তোরা চনুনা সনা ইকেম

থাংলখা পোকএ। মাগী ঈদি খুমনচরাকপম লুপাগী ঈ চিঙা-মখা তাবা পিবাদি অরাদা লৈএ।* মথংসু ময়াংদা লৈ। মথং শুকমসিংনা য়ুম তাকলি। খুমনচরাকপম অহুমম খুরাই তাবা কুণ্ডিধ্বজ মযুমনে। খুমন চরাকপম ংঙ্গারাম লাক্তুরে। খুমন চরাকপম শিংজই তাবা ইন্দ্র মযুমনে। খুমন চরাকপম অহুমম মনি তাবা চাওতেংম মযুমনে। চাওতোনগী থাইবা দয়ানন্দ মযুমনে। খুকোক লাখনে।*

য়াঙ্গোইসুনা স্মারেম্বা পোকএ। মাগী ঈদি লাংপোক-লাকপম চীংমৈরোং তাবা জগয়সিংহ মযুমনে। লাংপোকলাকপম নামবুল তাবা পিবাদি অরাদা লৈ। মথং চন্দ্রবদনা য়ুম তাক্লি। লাংপোকলাকপম কৈরী তাবা কমুইদি থাংজমদা লাই ওই, লাক্তুরে। লাংপোকলাকপম খুরাই তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং জয়সিংনা য়ুম তাকলি।

চরাংপাতগী নিংথৌজম খম্বা লাক্তুরে। মাকপম খুরাই তাবা শেখরসিং মযুমনে। লাংপোকলাকপম চীংতাংখম খোংনাং তাবা গোপীচরন মযুমনে। জগয়সিংদগী থাইবা নোংথোম্বম অঙাংতোম মযুমনে। লাংপোকলাকপম শিজা তম্বা মনাই শ্যামরাম লাক্তুরে। লাংপোকলাকপম খাই তাবদি ময়াংদা লৈ। মথং পুকচাওনা য়ুম তাকলি।

খোংখম চমুনা লোইজা তম্বা পোকএ। মাগী ঈদি নিং-থৌজম খোবাল তোনচিং তাব শ্রীরাম মযুমনে। নিংথৌজম

য়ুম্নাম থাংমৈবন্দ তাবা নৈবম্বা ময়ুমনে। য়ুম্নাম খোংদা লৈবা লৈবা হেম্বুসিং ময়ুমনে। চোংথামগী চিরবা নিংথৌজম চিত্তা মথা তাবা খৌম্বাও ময়ুমনে। নিংথৌজম য়ুম্নাম থিঙুংবৈদগী ককরা তাবা লৈলাম্ব ময়ুমনে। ককচিং য়ুম্নাম সাহিবম রতনসিং ময়ুমনে। শিজাম মাইবা পুন তাবা শ্যামজে ময়ুমনে। কৈং-বাওদগী নিংথৌজম খুম্বা ময়ুমনে। য়ুম্নাম শোইরেনশংবম ভুবনসিং ময়ুমনে। নিংথৌজম খুচিং ময়ুমনে। * নিংথৌজমদগী লাকপা য়ুম্নাম জীবান ময়ুমনে। থাংমৈবন্দ তাবা ভগ্যদগী নিং-থৌজম খুজাও ময়ুমনে। য়েন্নকেজম জর্মসিং ময়ুমনে। সোরাম খগোলবন্দ তাবা শিবাদি ময়াংদা লৈ। ময়াংদ লৈব শিবা বমচন্দ্রকান্তসিং লাক্লে। থাবলদি ওইরে। সোরাম মাগমপাল তাবা বক্ত ময়ুমনে। মাগমপাল তাবা ঘনশ্যাম ময়ুমনে। শম-শেনথোংশংবা মিথা লাক্লে। শং শং বৈশং নিংথৌজম মরিং লাক্লে। লক্ পোকপী নিংথৌজম অচৌ লাক্লে।

য়ুমথু চয়না কাকপা থবান থাবা পোকএ। মাগী ঔদি খৌদাম খুরাই তাবা বলদেব ময়ুমনে। অহল রামকান্তদি লোল্লে। বলদেবদগী থাইবা মহাবলি মনিং তাবা পবিত্রসিং ময়ুমনে। খৌদাম খেমাসিং ময়ুমনে। খৌদামদগী পেবম ওইখিবা পণ্ডিত ময়ুমগী জাত্তৌথর ময়ুমনে। বাকচিংকৈগী পেবম গুনসিং ময়ুমনে, নরোত্তম ময়ুমনে। খৌদাম হৈয়েন্দগী বাংথৈ তাবা নবচন্দ্র ময়ুমনে। য়ুম্নাম থকাম লাক্লে। য়ুম্নাম শ্যামগী ঔনি হায়বনা

পাকপা অম্ ১ কবুইনে। থৌদাম শ্যাম লাক্লে।

তোনাম্বম মদনসিং ময়ুমনে। নোংথোম্বম থোংজি তাবা ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। ধর্ম্মসিংদগী থাইবা পরমসিং ময়ুংনে। নোংখোনবম অতোনজাও ময়ুমনে। নোংথোম্বম চন্দ্রশ্যাম ময়ুমনে। হরি ময়ুমনে। নোংথোম্বম অয়ামহনবা লোইজা লাক্লে

